# দেল্লী এসেমব্লীনা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌবগী রিজোল্যুসন পাস তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
ন্যু দেল্লী এসেমব্লীগী নোংজু মীফমগী অরোয়বা নুমিৎ ইরায় নুমিৎতা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌনবগী রিজোলুসন অমা পাস তৌখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংগা ৱারী শানদুনা মখোয়গী পেন্দবশিং য়েংশিন্নবা তকশিনখ্রে।

ফার্ম লোশিং অদু অচৌবা কম্পেনিশিংদা কান্নহন্নবনি লৌমীশিংদা কান্ননবা নত্তে হায়না দেল্লীগী হোম মিনিষ্টর সাত্যেন্দর জেননা ফোঙদোকখ্রে।

জেননা হায়, লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেনগৎহনবা হায়বসি অরানবা ৱাশকনি। ফার্ম লোশিং অসি অচৌবা কম্পেনি খরা কান্নহন্নবা পুথোকপনি। অমরোমদা লৌমীশিংদি লোশিং অসিনা মপু ওইরম্বদগী লেবররশিং ওলহল্লগনি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা ইনেক্ট তৌখিবা এগ্রি লো অহুম অসিগী মায়োক্তা মরু ওইনা পঞ্জাব, হরয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশকী লৌমীশিংনা মমাঙগী নভেম্বরদগী দেল্লীগী বোর্দরশিংদা প্রোটেষ্ট তৌরক্লি।

ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লোশিং অসিগী মায়োক্তা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এ জর্নেল সিংহনা খন্না-নৈনবা হৌদোক্লদুনা হায়খি, লোশিং অসিগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা দেল্লীগী বোর্দর পোইন্ট অদুদা ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌরক্লি। হৌজিক ফাওবদা লৌমী ৬০০ লোম শিখ্রবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম মচা মচাগী মতাংদদি ঙাঙলবসু ইস্যু অসিগী মতাংদদি ৱাহৈ অমৎতা হায়দনা লৈরি।

সিংহনা মখা তানা হায়, লৌমীশিংনা লৌ উনরিবা লমবু মখোয়গী মমানি হায়না খঞ্জৈ। অদুনা লম কন্নবগীনি হায়রবদি মখোয়না থৱায় থাবা পাম্মুদনা হোৎনৈ। ঐখোয়না এসেমব্লী অসিগী খুথাংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগা ৱারী শাননবা অমসুং ফার্ম লো অহুম অসি রিপিল তৌনবা সেন্টরদা আপীল তৌরি।

লৌমীশিংনা কিরিবদি ফার্ম লোশিং অদুনা মন্দি অমসুং এম এস পি প্রোক্যুরমেন্ট সিষ্টেম লৈহল্লরোই অমসুং লৌমীশিং অচৌবা কোর্পোরেটশিংগী মীনুংশিদা হিংহল্লগনি হায়বসিনি। অমরোমদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনদি লৌমীশিংনা কিরিবসি লাল্লি হায়রি।

লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা ফার্ম লো অহুম অদুদি - ফারমর্স (ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওফ প্রাইস এস্যুরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিসেস এক্ট, ২০২০, ফারমর্স প্রদ্যুস ট্রেদ এন্দ কমর্স (প্রোমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) এক্ট, ২০২০, অমসুং ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০২০ নি।

দিবেট অদুদা শরুক য়ারদুনা দেল্লী এসেমব্লীগী ওপোজিসন লিদর রমভির সিংহ বিধুরিনা হায়খি, ফার্ম লো অহুম অদুনা লৌউ-শিংউগী পোথোক-চাথোক হেনগৎহনগনি অমসুং লৌমীশিংগী ইনকমসু শরুক অনী হেনগৎহনগনি। রিফোর্মশিং অসিনা মন্দিশিং হেন্না চাউথোকহনগনি। নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী হৌজিক লৌমীশিংগী ইনকম দবল ওইরে অমসুং পোথোক চাথোকসু হেনগৎলে। দেল্লীগী লৌমীশিংদা ট্রেক্টর লৈবদা সবসিদি পীনবা ঐহাক্না সী এমদা হায়জরি হায়না বিধুরিনা মখা তাখি।

# বোর্দরগী য়েৎনবা লৈখায় তানবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরিশিং ৱারী শাবা হৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা বোর্দরগী য়েৎনবা লৈখায় তানবা লৈবাক অনীগী মরক্তা থেংখাং নাইনা চথুরকখিবা কম্মান্দর থাক্কী ৱারীগী ১২শুবা রাউন্দ নুমিৎতা লাদাখ রিজনগী চাইনাগী মায়কৈদা লৈবা মোলদোদা হৌখ্রে।

থা অহুম লেপ্পুরবা মতুংদা নাকল অনীগী মিলিটরি তোঙ্ক কম্মান্দর থাক্তা মখা চথুরক্লিবনি। ইন্দিয়াগী মিলিটরি দেলিগেটশিংনা হোট স্প্রিংস, গোগ্রা অমসুং স্কৱার কিলোমিটর ৯০০ পাক চাউবা দেপসাং তম্পাক্কুম্বা উংখৎনবা লৈবা মফমশিংদগী ক্রপশিং হন্দোক্লবগী ৱাফম চাইনাগী লেংমান্নবশিংগা তান্নরি।

ইন্দিয়াগী দেলিগেসন অদু লেহদা লৈবা ১৪শুবা কোর্পসকী চীফ লেফটিনেন্ট জেনরেল পি জি কে মেনন অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্টর্নেল এফেয়সকী এদিসনেল সেক্রেটরি (ইষ্ট এসিয়া) নবীন শ্রীভাষ্টাভানা লুচিংলি।

চাইনাগী মিলিটরি দেলিগেসন অদুনা পি এল এগী ৱেষ্টর্ন থিয়েটর কম্মান্দগী কম্মান্দর সু কিলিংনা লুচিংলি। কম্মান্দর কিলিং থা অসিগী অঙনবদগী ফম অসি পাইরকখি।

দেপসাংদা নাকল অনীগী মরক্তা মিলিটরি পাঙ্গল শেমগৎনরিবদু চহী অসিগী মেদা হৌখিবা নাকল অনীগী মুক্লবগা মরী লৈনদে হায়না লৌনৈ। মফম অসিগী কুমজা ২০১৩দসু নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবা লৈখ্রে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মিলিটরি কম্মান্দর থাক্কী মীফমশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলদা লৈরিবা ইস্যু খুদিংমক লৈখায় তানবা তকশিনখি।

অহানবদা গোগ্রা অমসুং হোট স্প্রিংসকী য়েৎনবশিং লৈখায় তানবা হোৎনগনি। দেপসাংগী মতাংদা সোল্যুসন পুরকপা খরা লুনা থোক্কনি অমসুং মতম খরা শাংনা চঙগনি হায়না শ্রীভাস্তবনা ফোঙদোরকখি। হৌখিবা এপ্রিলদা কোর কম্মান্দর থাক্তা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী ৱারীদা কন্না য়েৎনবা মফমশিং ওইবা গোগ্রা, হোট স্প্রিংস অমসুং দেপসাংদগী মিলিটরি ফোর্সশিং লৌথোক্লবগী ৱাফমদা মীৎয়েং থমখি। ফেব্রুৱারী ২০দা ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ মিলিটরিশিংনা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলদা উংখৎনবা হন্থহনবগী পান্দমদা ১০শুবা রাউন্দগী দাইলোগ চথখি।

হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা কোর্পস কম্মান্দর থাক্কী ৱারী রাউন্দ ১১ পাংথোকখিবদা নত্তনা ফোর্স অনীনা মেজর জেনরেল থাক্কী ৱারী রাউন্দ ১০, ব্রিগেদিয়র থাক্কী রাউন্দ ৫৫ শান্নবগা লোয়ননা হোটলাইনদা কোল ১,৪৫০ তৌদুনসু ৱারী শানখ্রে।

হৌজিক চাইনাগা মরী লৈনবা ইন্দিয়াগী ফিরেপতা অহোংবা লাক্লে। হান্না মশা ঙাকথোকচনবা শেম শারম্বদু হৌজিক্তি চাইনানা অকন অরিং শীংলকপদা মিলিটরি এক্সনগা লোয়ননা খুৎ হন্নবা ৱারেপ লৌরে। লৈবাক অসিগী মিলিটরিসু ৱারেপ অসিগা চাননা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনবগা লোয়ননা বোর্দরগী মফম কয়াদা অহেনবা ফোর্সশিং, খুৎলায়শিং থমদুনা মিৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

## মাওইষ্টশিংনা রেলৱে ষ্টেসনদা এটেক তৌখ্রে

পটনা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা খুৎলাই পায়বা মাওইষ্ট কাংবু অমনা পটনা-কোলকটা রুটতা লৈবা বিহারগী রেলৱে ষ্টেসন অমদা এটেক তৌবগা লোয়ননা ষ্টেসন মাষ্টর পুঙখায় অমরোম ফাজিন্দুনা থমখি হায়রি।

মাওইষ্টশিং অদুনা ষ্টেসন মাষ্টর অদুবু হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা ষ্টেসন বিল্ডিং বোমনা থুগাইগনি হায়না কিহনখি।

মাওইষ্ট ইরাং কনবা জমুই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাউরা রেলৱে-ষ্টেসনদা থোকখিবা ইরাং অদুনা পুং মরি হেন্না রেলৱে ওপরেসনদা অকায়বা পীখি।

পুলিসকী ফিজোল শেৎলকখিবা মাওইষ্টশিং অদু অয়ুক পুং ৬ লোম তাবদা চাউরা য়ৌরকখি অমসুং মখোয় ষ্টেসন মাষ্টর ভিনয় কুমারগী কেবিনদা চঙশিনখি। মখোয়না কুমারদা লমদম অদুদা মাওইষ্ট ৱীক সেলেব্রেসন তৌরি হায়দুনা রেলৱে ওপরেসন লেপ্পবা হায়খি।

মশক মমিং তাকথোক্লীংদবা ষ্টেসন অদুদা থবক তৌবা থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অমনা হায়, ষ্টেসন মাষ্টর অদুনা মখোয়দা করিগী অসিগুম্বা থবক মহাক্না তৌগদৌরিবনো হায়না হংবদা মখোয় মাওইষ্টশিংনি হায়না শকতাকচবগা লোয়ননা মখোয়গী খুৎলায়শিং উৎখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা হিমগিরি এক্সপ্রেসকুম্বা মরু ওইবা ট্রেনশিং রুট অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেসনশিংদা খামখি। পুলিসনা এরিয়া অদু চেক তৌদুনা অয়াবা পীরবা মতুংদা রেলৱে ওপরেসন মখা চথুখি।

# কোভিদ-১৯ থেংননবা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা লুপা ক্রোর ১,৮২৮ পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
সেন্টরনা ইমরজেন্সি কোভিদ রেস্পোন্সকী মখাদা কোভিদ পেন্দমিক থেংননবা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটশিংদা লুপা ক্রোর ১,৮২৮ পীখ্রে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রি মন্সুখ মন দাভিয়ানা হায়খি, ইমরজেন্সি কোভিদ রেস্পোন্স পেকেজদগী চাদা ১৫ সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুটিশিংদা কোভিদ-১৯ থেংনবদা শীজিন্ননবা থাখ্রে। পেকেজ অসিনা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা অমসুং কোভিদ-১৯ থেংনবদা মতেং ওইরগনি।

ত্বিট অমদা মন্দাভিয়ানা হায়, মসি পেকেজ অদুগী অপুনবা শেনফমগী চাদা ১৫ নি। মসিনা লৈবাক পুম্বগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি।

ইন্দিয়ানা কোভিদ পেন্দমিককী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লরিঙৈদা ফন্দ অসি শীজিন্নদুনা ভাইরস অসিগী চথুরিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি হেন্না খোঙজেল য়াঙহল্লগনি। ইন্দিয়াদা চথুরিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন অসিগী কভরেজ জুলাই ৩০ ফাওবদা ক্রোর ৪৬দগী হেনখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দেটা মতুং ইন্না, সেসন ৫৪,৯৩,৪২৩গী খুথাংদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ৪৬,১৫,১৮,৪৭৯ কাপখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ৫২,৯৯,০৩৬ কাপখি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ৪১,৬৪৯ থেংনখ্রে। লৈবাক অসিগী অপুনবা কোভিদ কেস মশিং থাংজ নুমিৎতা ৩,১৬,১৩,৯৯৩ য়ৌখি। হৌখিবা পুং২৪ অসিদা মীওই ৫৯৩ শিখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনবা মী মশিং পুন্না ৪,২৩,৮১০ শুরে।

পেন্দমিক হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা অপুনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মনুংদা মীওই ৩,০৭,৮১,২৬৩ লায়না অসিদগী ফখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পেসেন্ট ৩৭,২৯১ লায়না অসিদগী ফখি। ফবগী চাং চাদা ৯৭.৩৭ নি।

# পুলৱামাদা খুৎ থোক্লবদা পাকিষ্টানি অমা য়াওনা জে ঈ এমগী মিলিটেন্ট অনী হাৎখ্রে



শ্রীনগর, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা খুৎ থোক্লবদা তোপ পাকিষ্টানি মিলিটেন্ট অমা য়াওনা জে ঈ এমগী মিলিটেন্ট অনী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখিবা পাকিষ্টানি মিলিটেন্ট অদু গ্রুপ অসিগী চীফ মাসুদ অঝারগী ইমুংগী মীওইনি অমসুং মহাক কুমজা ২০১৯দা পুলৱামাদা চথুখিবা এটেক থৌরাং তৌবদা য়াওখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়, মিলিটেন্টশিং লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা পীরকপদগী থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা নমিবিয়ান অমসুং মারসারগী ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি দাচিগামদা কোর্দন অমসুং সার্চ ওপরেসন চথুখি।

মিলিটেন্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ফোর্সশিংনা খুৎ হনবদগী সার্চ ওপরেসন অদু নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা ওইরকখি।

নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা মিলিটেন্ট অনী শিখি। ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি), কাশ্মির, ভিজয় কুমারনা ফোঙদোরকপদা, অথিংবা থমখ্রবা জাইস-ঈ মোহম্মদ (জে ঈ এম)গা মরী লৈনবা তোপ পাকিষ্টানি টেররিষ্ট লম্বু ঙসিগী থৌদোক অদুদা শিখ্রে।

আই জি পিনা মখা তানা হায়, মোহম্মদ ইসমাল অলভি এলিয়জ লম্বু এলিয়জ অদনান জে ঈ এমগী চীফ মসুদ অঝারগী ইমুংগী মীওইনি। মহাক মমাঙদা লেথপোরা পুলৱামা এটেক চথুনবা লৌতুনখিবদা চেন্নখি অমসুং নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এ আই এ)না শেম্বা চার্জশিট ১৪দা সাউথ কাশ্মিরগী পুলৱাবা দিষ্ট্রিক্টগী মনুং চনবা লেথপোরাদা শ্রীনগর জম্মু নেসনল হায়ৱেদা সুইসাইদ বোম্বর অমনা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী কনভোই অমদা এক্সপ্লোসিভ য়াওরবা গাড়ি অমা পোকখায়হনখিবদা ফোর্স অসিগী পর্সনেল ৪০ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ কয়া অশোক-অপন নংখি।

কুমারগী মতুংইন্না, অনীশুবা টেররিষ্ট অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি। মায় পাক্লবা ওপরেসন অদুগীদমক্তা আই জি পিনা আর্মি অমসুং পুলিসপু থাগৎখি।

ইনৌ নৌনা পুলৱলমাগী খুৎ থোক্লখিবা অসিগী মতাংদা চিনার কোর্পস কম্মান্দর লেফটিনেন্ট জর্নেল দি পি পান্দেনা হায়, সাইফুল্লা এলিয়জ লম্বু হাৎখিবা অসি মরম অনীদা মরু ওই। মসিনা কুমজা ২০১৯দা পুলৱামাদা থোকখিবা থৌদোক অদু লোইশিনহল্লগনি। মহাক আই ঈ দি এটেক চথুদুনা মশা শিজখিবা অদিল কৌবা লোকেল মীওই অমা ট্রেনিং পীবদসু চেন্নখি।

## য়ু এস সিটিজনশিংদা নমথাক তৌরম্বা মীওই কয়া ফারে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
দেল্লীগী হরি নগর এরিয়াদা চলাইরম্বা ফেক কোল সেন্টর অমদা পুলিসনা রেইদ চথুখিবগা লোয়ননা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিং শারগা অমেরিকানশিংদা নমথাক তৌরম্বা মীওই ৬৫ ফাগৎখ্রে।

কেস অদুগা মরী লৈননা কোল সেন্টর অদুগী মপুশিং ওইরিবা লখন জগ্বানি অমসুং ভিজেন্দর সিংহ রাৱাতসু ফারে। পুলিসকী মতুং ইন্না ভিক্টিমশিং অদুবু মখোয়গী সোসল সিক্যুরিটি নম্বর চৎনহল্লরোই হায়না থাজহনখি। এক্যুজশিং অদুনা ভি ও আই পি কোলিং অমসুং কোল্লর আই দি স্পুফিংগুম্বা লোনা য়াদবা মেথদশিং শীজিন্নদুনা য়ু এস সিটিজনশিংগী ইনফোর্মেসন লৌখি মখোয়না লিগেল প্রোটেক্সন পীগনি হায়না থাজহন্দুনা ভিক্টিমশিং অদুদগী শেল লৌখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না নমথাক্কী থৌওং অসিগী খুথাঙদা লুপা ক্রোর কয়া খোমগৎখ্রে হায়না পারি। দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ৱেষ্ট) উরভিজা গোইলনা হায়, থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী জুলাই ২৮দা ঐখোয়গী টিমনা হরি নগরদা রেইদ অমা চথুখি। মফম অদুদা কোল্লর কয়ানা য়ু এস কষ্টম্স এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন দিপার্টমেন্ট, দ্রগ এনফোর্সমেন্ট এজেন্সী, এফ বি আই অমসুং ট্রেজরি ওফিসতা থবক তৌবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং শারগা কোল তৌবা অমসুং কোল ওকপগী থবক চথুরমখি।

মপু অনীদু টেলি-কোল্লর ৬৩গা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরমখি।

দি জি পিনা হায়, মখোয়না পুলিসতা য়ু এসকী অশেংবা মেদিকেল সর্ভিস সপ্লায়রশিং ওইনা উহন্নবা হোৎনখি।

ৱাহং পাউহং চথবগা লোয়ননা মখোয়গী নেটৱার্ক, কম্প্যুটরশিং, মোবাইল ফোন স্ক্রুটিনি তৌবদা মীওইশিং অদুনা মখোয় গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং শারগা য়ু এস নেসনলশিংদা কোল তৌবগী থবক তৌই হায়দোরকখি।

পুলিসনা কম্প্যুটর ৫৮, লেপটোপ অনী, ইন্টরনেট দিষ্ট্রিব্যুসন স্বিটচ অমা, ইন্টরনেট রাউটরশিং ফাখি। ইলিগেল এক্টিভিটিশিংগা মরী লৈনবা দেটা মখোয়গী কম্প্যুটরশিং অমসুং মোবাইল ফোনশিংদা য়াওরম্বা থেংনখি।

## বি এস এফনা ইন্ট্রুদর অনী হাৎখ্রে



ফেরোজপুর, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):
পঞ্জাবকী ফ্রন্টিয়র দিষ্ট্রিক্ট ফেরোজপুরদা পাকিষ্টানদগী লোন্না চঙশিল্লকপা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

বি এস এফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা জুলাই ৩০গী নুমিদাং পুং ৮.৪৮ লোম তাবা মতমদা ইন্দিয়াগী লমদা পাকিষ্টানগী ইন্ট্রুদরশিং চঙশিল্লকপগী মওং অমা ফিরোজপুরগী থেকেলান (অমরপোট)তা দিপ্লোই তৌরিবা বি এস এফ ট্রুপশিংনা উখি। ট্রুপশিংনা মখোয়দা লেপ্পবা হায়খি। তৌইগুম্বসুং হঞ্জিন হঞ্জিন্না ৱার্নিং তৌরবসু ইন্ট্রুদরশিং অদুনা করিমক্তা থৌশাদবগী মওংদা বোর্দর ফেঞ্চ লান্নবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মখা তানা চঙশিল্লকখি। মতুং তাবদা বি এস এফ ট্রুপশিংনা মখোয়দা নোংমৈ কাপখি। মদুদা ইন্ট্রুদর অনীদু শিখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা মফম অদুদা ফোর্স অসিনা থি-হূম্বগী ওপরেসন অমা চথুখি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট পঞ্জাব অসি পাকিষ্টানগা কিলোমিটর ৫৫৩ শাংবা ইন্টর্নেসনল বোর্দর লোন্নরিবনি। পঞ্জাবকা লোন্নরিবা বোর্দর মশাংদা বর্বদ ৱ্যেরনা খাজীল্লি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Manipur | 97,698 +874 | 85,422 +1,014 | 1,541 +20 |
| Maharashtra | 63L +6,600 | 60.8L +7,431 | 1.33L +231 |
| Kerala | 33.7L +20,772 | 31.9L +14,651 | 16,701 +116 |
| Karnataka | 29L +1,890 | 28.4L +1,631 | 36,525 +34 |
| Tamil Nadu | 25.6L +1,947 | 25L +2,193 | 34,050 +27 |
| Andhra Pradesh | 19.6L +2,068 | 19.3L +2,127 | 13,354 +22 |
| Uttar Pradesh | 17.1L +37 | 16.8L +91 | 22,756 +1 |
| West Bengal | 15.3L +711 | 15L +835 | 18,128 +5 |
| Delhi | 14.4L +63 | 14.1L +34 | 25,052 +3 |
| Chhattisgarh | 10L +125 | 9.86L +243 | 13,523 +3 |
| Odisha | 9.76L +1,558 | 9.55L +1,841 | 5,834 +66 |
| Rajasthan | 9.54L +28 | 9.44L +33 | 8,953 |
| Gujarat | 8.25L +21 | 8.15L +29 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7.92L +10 | 7.81L +19 | 10,513 |
| Haryana | 7.7L +26 | 7.6L +23 | 9,633 +3 |
| Bihar | 7.25L +72 | 7.15L +94 | 9,643 +1 |
| Telangana | 6.44L +614 | 6.31L +657 | 3,800 +4 |
| Punjab | 5.99L +48 | 5.82L +55 | 16,292 +2 |
| Assam | 5.65L +1,179 | 5.46L +1,441 | 5,241 +20 |
| Jharkhand | 3.47L +32 | 3.42L +29 | 5,128 +2 |
| Uttarakhand | 3.42L +41 | 3.34L +64 | 7,362 +1 |
| Jammu and Kashmir | 3.21L +137 | 3.16L +109 | 4,378 +1 |
| Himachal Pradesh | 2.06L +146 | 2.01L +107 | 3,520 |
| Goa | 1.71L +152 | 1.67L +134 | 3,146 +2 |
| Puducherry | 1.21L +90 | 1.18L +82 | 1,793 +1 |
| Tripura | 78,361 +302 | 74,122 +457 | 755 +1 |
| Meghalaya | 64,314 +569 | 57,450 +517 | 1,073 +11 |
| Chandigarh | 61,952 +4 | 61,106 +4 | 810 +1 |
| Arunachal Pradesh | 47,856 +379 | 43,488 +488 | 226 +1 |
| Mizoram | 38,064 +893 | 25,744 +576 | 145 +4 |
| Nagaland | 27,713 +60 | 25,878 +80 | 561 +5 |
| Sikkim | 26,311 +179 | 22,667 +169 | 342 +5 |
| Ladakh | 20,328 +4 | 20,071 +14 | 207 |
| Lakshadweep | 10,178 +16 | 10,051 +9 | 50 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,535 +1 | 7,398 +3 | 129 |


The Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.
Administrative Office, M.G.Avenue,Imphal

[illegible] / NOTICE
Imphal, the 30th July 2021

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022, the Election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. scheduled on 2-12-2018 was not held in time due to litigation in different law courts. However, by the Judgment Order dt. 21-6-2021 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in W.P.(C) No. 1009 of 2019 with WP©1059 of 2019 with WP( C) No. 207 of 2019 with MC (WP( C) No. 17 of 2020 (Ref. W.P( C) No. 1009 of 2019 with MC (WP ( C) No. 19-2020 (Ref. WP ( C) No. 1059 of 2019 with MC (WP ( C) No. 171 of 2019 Ref. ( W.P. ( C) No. 207 of 2019 with MC W.P.( C) No. 33 of 2020 (ref. MC W.P © No. 17 of 2020 ( Ref. WP © No. 1009 of 2019 , has directed to proceed with the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank in view of the Notice dated. 20-11-2018 issued by the Returning Officer . In this regard, the R.C.S., Manipur vide letter No. B-Coop/1/IUCB/Case /2019 dt. 09-07-2021 has also directed to proceed with the Election of the Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd in pursuance of the above mentioned Judgment Order of the Hon'ble High Court of Manipur.. Accordingly, the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on the date, time and place as given below.

| Date of Election | Venue | Poll hour |
|---|---|---|
| Tuesday, 17-08-2021 | City Convention, Palace Gate Imphal East. | 10.00 a.m. to 3.00 p.m. |
| | | |

Therefore, all concerned Delegates are requested to attend the meeting in time.

Please note:
1. Election Rules, List of Delegates will be available from the Administrative Office of the Bank during office hours on payment at the prices notified earlier.
2. Membership Transfer Books of the Bank will remain closed till the completion of the Election.
3. Member- Delegates who carry Identity Cards issued by the Bank will be allowed to enter the meeting Hall( duplicate Identity Cards will be issued if found lost on or before 10-08-2021 during office hours).

By Order of the Administrator.
R. K. Tikensana
General Manager(i/c)

HL-P/6374/1,2,3



ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ / অৰাবা ফোঙদোকপা




"The Women's Welfare Organisation Thoubal Ningombam Utha" অসিদা President ওইবীরম্বী Singam (O) Tababi Leima না মনুং মতম চাদনা ইঙেনগী ১৮নি পানবা নিংথৌকাবা, তাং ২৬/৭/২০২১, নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা, Thoubal Ningombam গী নুপীশিংনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। মহাক্না লৈখিদবসি Thoubal Ningombam গী অৰা-অনা তারবা নুপীশিংগী ওইনদি খুৎ নাম্মা তেকপগা চপ মান্নহৌরগনি। মহাক্কী মথৌনা, কথোকপা লোয়ননা হৈ-শিংবা, শিবা কিদবা, গুণ ময়াম্না লৈতেংলবী মীওই অমা মাঙজখিবসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনদি মেনশিনবা ঙমদনা হাঙদুনা লৈহৌরগনি। ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু ঐখোয় পূম্নমক্না শরুক য়াজরি।

Sd/- **Moirangthem (O) L. Sushila Chanu**
Secretary, The Women's Welfare Organisation
Thoubal Ningombam

HL-P/6379/1



ꯂꯥꯟ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



মপু মাগী "তাইবং-কুম্মৈ" ফম্পাকথকসিদা তাইবং-কুম্মৈ য়াওজরম্বী খুমন য়েক্কী লাইশ্রম নিঙোল মঙাং য়েক্কী ক্ষেত্রিময়ুম শাগৈদা তিঞ্জখিবী, ঐখোয়বু তাইবং-ঈপাক ফাওহনবীরম্বী "অপোকপী" ক্ষেত্রিময়ুম কুঞ্জরানী ইমানা হৌখিবা ইঙেনগী ১৩নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা অকাউ পরৈ চনশিল্লক্লবা 'খম্নুং সৱা' তানখ্রবা পম্ভৌ অপোকপগী খূদুং তুংইন্না "খম্নুং-লক্ষ্মী" পাংখ্রে।

লাক্লিবা ইঙেনগী ২৫ (কুনমঙা)নি পানবা লৈবাকপোকপা কোরৌদা লৈখিদ্রবী ইমাগী "লান্ন-থৌরম" থোক্লে। ইমাগী লান্ন-থৌরম অসি হৌজিক ওইরিবা মালেমগী তমথীরবা লাইচৎ 'কোভিদ-১৯' অসিনা মরম ওইরগা থবক-থৌরমনচিংবা অমদি অশি-অনা, লাই-তিনগী শোয়ফদনা তৌফদ্রবা কয়া য়াওনা পাঙথোকপদা মী তিনবা য়াদবগী লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবনা "লান্ন-থৌরম" অসি ইমুং-মনুং খক্তংনা পাঙথোকচরগনি।

পলেম ইমাগা তিন্নবীরম্বী অমদি মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈনচিংবা পূম্নমক্কী মফমদা ৱাহৈ খরা অসি ফোঙদোকচবগী অয়োন-অরান পূম্নমক তাইবং অপংবনি খন্না ঙাকপীয়ু হায়না তোল্লবা তাইবং ওইবনা হন্না-হন্না খ্বাই তরাগী মফমদা নোল্লুকচরি।

নোল্লুকচরিবা ঃ-
ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা (মচানুপা)
থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট।

HL-P/6378/1